

১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মার্চ ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগীদমক পোল্লিং পর্সনেলশিংনা চান্দেল অমদি তেংনৌপলগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখিবা



হৈরোক এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইবদা নত্তনা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ডা. থোকচোম রাধেশ্যামদা এল হেরোজিৎ এন্দ তোম্পোক মেমোরিএল ট্রষ্টনা তেংবাঙখিবা



নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস (নাব)কী টিম অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মালোম এরিয়াদা মারুটি জিপসি অমা চেক তৌবদা কানি কাজি ৯গা কোন্ননা ফারবা মীওই অমা



ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা তেন্থাদা লৈবী নাওরেম চাওবী য়াইমগী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্লবু ৩৪/৪ বি জে পি ৱিমেন কম্মিটি নুপীশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ফমখিবা মীফম অমগী শক্তম

## রিমস অমদি জেনিমসতা সী ঈ ওনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): লাইবক থীবা থৌদোক অমদা অনীশুবা ইন্দিয়ন রিজার্ভ বট্টালিয়নগী সিক্যুরিটি পর্সনেল ১০ তমেংলোংদা থোকখিবা এক্সিদেন্ট অমদা অশোক-অপন নংদুনা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা পর্সনেলশিংবু চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) মণিপুর রাজেশ অগরৱালনা চৎতুনা ঙসি য়েংশিনখ্রে হায়রি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্ত য়াওনা সী ঈ ও মণিপুর রাজেশ অগরৱালনা শোক্তুনা লৈরিবা পর্সনেলশিংবু উনদুনা অৱা-নুংঙাই ৱারী শাখিবগা লোয়ননা মখোয়বু য়াম্না থুনা ফগৎপা ওইয়ু হায়বগী য়াইফ-পাউজেলসু পীরমখি হায়রি।

মদুগী মতুংদা রাজেশ অগরৱালনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা মীখলগী দ্যুটি তাবা লাকখিবা ৩৪০ বট্টালিয়ন, এ-১১৯ কোইগী সী আর পি এফ পর্সনেল অমা শোক্তুনা জ ৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা লায়কন্নরিবা পর্সনেল অদুবু উনখিবগা লোয়ননা ৱারী-ৱাতাই শাখি হায়রি।

হায়রিবা থৌদোকশিং অসিদা অশোক-অপন নংখ্রবা পর্সনেল-শিংবু রেপিদ রেস্পোন্স টিম (আর আর টি)না মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা হেলিকোপ্টর সর্ভিসকী মতেং লৌদুনা ষ্টেট নোদেল ওফিসর তোমচানা মেদিকেলগী খুদোংচাবা কয়াসু ফংহনখি।

ঙসি চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এদিসনল সী ঈ ও নাওরেম প্রবিন, ও এস দি (ইলেক্সন) গনেস নগারাজন, এস এন ও (হেল্থ) তোমচা খুমন অমদি আর আর টিগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। অশোক-অপন নংখ্রবা পর্সনেলশিংবু মতম চানা আর আর টিগী কাঙবুনা মতেং পাংবীখিবগীদমক রাজেশ অগরৱালনা থাগৎপসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## যুক্রেনগী ৱাথোক লোইশিন্নবা নরেন্দ্র মোদিনা হোৎনগদবনি : সী পি আই

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): য়ুক্রেনগী ৱাথোক লোইশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সিজ ফায়র তৌননবা ৱাফম পুখৎকদবনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নুমীৎ ৮নি ফারক্লবা য়ুক্রেনগী লানফম অসি মৈরিক্তগী মৈত্রাও ওল্লক্তুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা মীপায়বা অমদি নুংনাংবা পোকহল্লিবসি কোকহন্নবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট অনীগা ৱারী শানদুনা সিজ ফায়র তৌনবা তকশিন্নবা হোৎনবা চুমগনি। খোঙথাং অসি থেংথরক্লবদি মালেমগী চাউখৎলক্লিবা লৈবাক অমদি চাউখৎপা ৱাৎলিবা লৈবাক কয়াগী শেন্মীৎলোনদা চাউরবা শাফু অমা মায়োক্নহল্লগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, য়ুক্রেন ৱাথোক হৌরকপদগী সী পি আইনা নাকল অনীগী ওইবা ৱারী শানদুনা য়ানদবশিং শন্তাইনবা অমা পুরক্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহন্দুনা লাক্লি। লান্না কৈদৌঙৈদসু য়ানদবশিং শন্তাইনবা পুরকপা ওইথোক্লোই। লোয়ননা য়ু এস এনসু নাটো পাকথোক চাউথোকহন্নবা থৌশিল হনে দাক্লবা নরেন্দ্র মোদিনা হোৎনগদবনি। মালেমগী খ্বাইদগী পৱার লৈরবা য়ু এসনা ককশাবী শাদুনা য়ুক্রেনবু নাটোগী মেম্বর লৈবাক অমা ওইহন্নবা থৌরাংলকপদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেল্লকপনি। মসিগী মথক্তা কোর্পোরেট হাউস খরগী মখাদা লৈবা টি ভি চেন্নেলশিংনা লান্না পাউথোকপদগী য়ুক্রেন অমসুং রসিয়া অনীগী মরী তৎহনখিবনি।

য়ুনাইটেদ নেসনগী সিক্যুরিটি কাউন্সীলদা ইন্দিয়ানা লৌখিবা ফিরেপ থাগৎপা ওইনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন লৈঙাক্লা লানগী চৈথেং নংলবা ইন্দিয়া মচাশিং অশোয়-অঙাম য়াওদনা মরমদমদা হলহন্নবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলকপগীদমক সী পি আইনা নুংঙাইবা পোল্লবসু য়ুক্রেন লান্মীশিংনা ইন্দিয়া মচাশিংবু হোষ্টেজ ওইনা শীজিন্নরকপা থেংনরিবসিনা অমুক্কা হেন্না নুংনাংবা হেনগৎহল্লি। মরম অসিদগী ওপরেসন গঙ্গা মখাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পোলেন্দ, হঙ্গেরি, রোমানিয়া অমসুং স্লোভেনিয়া লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংগা ৱা তান্নদুনা অথুবদা ইন্দিয়া মচাশিং অশোয়-অঙাম য়াওদনা থৈদোক্লবা হোৎনগদবনি। খোঙথাং অসিগী পাউদমশিং মরী লৈনবা ইমুংশিংদা মতম চানা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা থিবা খঙদ্রবা ইন্দিয়া মচাশিংগী খোঙ্গুল লীননবা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়ুক্রেনগা য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিংদা কেম্প তৌদুনা লৈহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অথুবদা থবক পায়খৎনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## আই এন সীগী ৱার্করশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী থোকখিবনি : বি জে পি ইলেক্সন ৱিমেন কম্মিটি

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): ককচিং থিংনাম নিংথৌ লৈকায়দা মীখলগা মরী লৈননা ঙরাং নুমীদাং থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অদু ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী ৱার্করশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী থোকখিবনি হায়না বি জে পিগী ইলেক্সন ৱিমেন কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



ঙরাংগী থৌদোক অদুদা হকথেংননা য়াওখিবী কম্মিটি অসিগী মেম্বর ময়াংলম্বম ওংবী বিনি কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদা, ঙরাং অসি ৱার্কর নুপীশিংনা ককচিং খুনৌ এরিয়াদা হাংবা বি জে পিগী পোল্লিং বুথশিং কোয়না চৎতুনা য়েংলুরবা মতুং মদুদা য়াওরুরবা মীওইশিং ময়ুম-ময়ুমদা থিনবা চৎপদা ককচিং খুনৌ নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা থিংনাম রিশিকেসকী য়ুমদা হাংবা আই এন সীগী ইলেক্সন কেম্প মপা য়ৌরকপদা লম্বীদা গাড়ী ময়াম অমা খামজিন্দুনা লৈরমখি। য়াম্না চিনবা লম্বী অদু লান্থোক্লবা হোৎনবদা কেম্প অদুগী থোঙ্গালদা লৈবা মীওই খরনা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা খরা ঙাংলকপদগী চৎমিন্নরিবা নহাশিংনসু ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা পাউখুম পীখি।

মদুদা ইখঙ খঙহৌদনা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী কেম্প হাংলিবা থোঙ্গাল অদুদগী নোংমৈ কাপথোরকখিবনি। নোংমৈ কাপ্লকখিবা অদুদা য়ুল্লক্তা নোংমৈ কাপ্লে হায়দুনা খঙহৌদনা মশীং য়াম্লবা মীয়াম য়োমশিল্লক্তুনা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মীরেপকী য়ুমগা নক্লবা মফমসিদা অসিগুম্বা থৌদোক থোকহনবা অসি থোকহন্নিংদে। লাইসেন্স গন পায়রে হায়দুনা কাপ্লিংবা মতমদা কাপ্পা, তৌনিংবা মতমদা থবক তৌবগী থৌওং অসি য়ানিংদে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি ঈংনা চিক্লা পাঙথোকপা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

ঙরাংগী লাইবক থীবা মীখলগা মরী লৈননা থোকখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌওংশিং অসি মখা তানা থোকহনবীগনু। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি অশেংবা দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দুনা ইশা-ইশাগী অপাম-অপাম্বা মীরেপশিং খন্দুনা ফজবা মীখল হায়বদু ওইহনসি হায়নসু ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সন খুমুকচম লৈমনা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

## ‘লৌশিংগী মঙাল’গী অনীশুবা ফ্রী কোচিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): খোংজোম য়ুথ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ‘লৌশিংগী মঙাল’ হায়না মিংথোনবা ফ্রী কোচিংগী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসি অনীশুবা বেটচকী ক্লাস নাইন অমদি টেনগী ওইনা থা ৪ চুপ্পা চথুগদবা ফ্রী কোচিং প্রোফেসর সী ঐচ নিঙোম্বনা থৌরম মপু ওইদুনা নিঙোমথোং কিত্না পনুংগী মেলা লম্পাক স্কুলদা লৈবা সেন্টরদা হৌদোকখ্রে হায়না খোংমন য়ুথ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট রানি নিঙোম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৌশিংগী মঙাল হায়না মিংথোনবা ফ্রী কোচিং কেম্প অসি হন্দক্কীসিগা থারগা অনীরকশুবা বেটচ ওইনা চথুরক্লিবা ফ্রী কোচিং কেম্প অসি থোংজু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থোঙাম বিশ্বজিৎনা স্পোন্সর তৌবনি। থোংজু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু অহেনবা লৌশিংগী মঙাল পীদুনা মালেমগী থাক্তা চাউখৎ খোঙথাংদা হেন্না হেন্না মাঙজিল থাবা ঙম্নবগী পান্দমদা থোংজু এ সীগী এম এল এনা অচঙবা শেনফম পুম্বা পুথোকপীদুনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক ফ্রী কোচিং কেম্প অসি পীবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## হৈরোক এ সীগী ককময়াইদা দুকান ৩ থুগায়রম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা ককময়াইদা ঙরাং নুমীদাং পুং ১০.৪৫ রোম তারকপা অদুৱাইদা কোংগ্রেস পার্টিগী ৱার্করশিং ওইগনি চিংনবা মশক খঙদবা মীওই খরনা বি জে পিগী ৱার্করনা ফম্বা দুকান অহুম থুগায়রম্লে লোয়ননা মশক খঙদবশিং অদুনা নোংথক্তা নোংমৈ রাউন্দ খরসু কাপথোক্তুনা মীয়ামদা অকি-অখঙ পীরম্লে হায়রি।

থৌদোক অদুবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ককময়াইদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা করিগুম্বা মখা তানা ককময়াই খুলদা হিংশা থোরক্লবদি মদুগী থৌদাং পুম্বা কোংগ্রেস পার্টিনা পুগদবনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা ‘ঐখোয় ঈং-চিকপা পাম্মী’, ‘দুকান থুগায়বা, নোংমৈ কাপ্পা য়ানিংদে’ হায়বনচিংবা থাবা প্লেকার্দ কয়া পায়নখি।

তুংদা হৈরোক এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা বি জে পিগী মীরেপ ডা. থোকচোম রাধেশ্যাম মশামক হকথেংননা ককময়াইদা লাক্তুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগা উনখি। ঙরাংগী থৌদোক অদুবু এম এল এনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফাগৎনবা হোৎনরগনি হায়বগী থাজবা মীয়ামদা পীখ্রে।

এম এল এ রাধেশ্যামনা পাউমীশিংদা হায়খি, ককময়াইদা ঙরাং কোংগ্রেস পার্টিগী ৱার্করশিংনা ভাইওলেন্সকী থবক চথুদুনা দুকান থুগায়রমবা অমদি নোংমৈ ব্লেঙ্ক ফায়র তৌরম্বা অসি এ সী অসিগী এম এল এ অমা ওইনা অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই। ককময়াই অসি ইচম চন্না শুজ-নোমজরগা লৈজবা খুলনি। খুল অসিদা ভাইওলেন্স চথুরকপা অসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। কোংগ্রেস পার্টিগী হৈনবী অমা ওইনা মীয়াম্বু কিহন-খঙহল্লগা ভোট লৌবা, মী ফূবা, ধমকা তৌবা অসিগুম্বা চৎনবী অসি থাদোকপা মতম ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী দুকান থুগায়বীখ্রবী খাইদেম ওংবী অন্ত্রাবতিনা ঙরাংগী থৌদোক অদুবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ককময়াই খুলদা হিংশাগী থবক চথুবীগনু, ঐখোয় ঈংনা চিক্লা লৈজগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া থমখি।

## এম এল এ রাধেশ্যামদা লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংনরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মার্চ ৫গী মীখলদা হৈরোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ডা. থোকচোম রাধেশ্যামদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লেপ্পা লৈতনা মতেং কয়া পাংলক্লি হায়না এল হেরোজিৎ এন্দ তোম্পোক মেমোরিএল ট্রষ্টকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল বোইসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মীয়ামগীদমক কথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌদুনা লাক্লিবা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা মাঙজিল থানবগীদমক থৌরাং থৌশিল পায়খৎলিবা হৈরোক এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ রাধেশ্যামদা ঙসি সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম হেরোজিৎ এন্দ তোম্পোক মেমোরিএল ট্রষ্টনা পোৎলম কয়া মতেং পাংখি।

তেংবাঙবগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর চেস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নবচন্দ্র অমদি ট্রষ্ট অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সিংহজিৎ লাইশ্রম অমসুং ট্রষ্ট অসিগী ওফিস বিয়াররশিংসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা মীওই হেনগৎলক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): পীকখ্রবা মণিপুর অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল খূদিংমক্লা মীওইবগী পুন্সি অমদি শেল-থুমগী ফীভমদা নোংম-নোংমগী লাকশিল্লক্তুনা ইমুং কয়া অমা ফীভম শোক্লা হিংলি হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা ফোঙদোরক্লি। মমল য়াম্লবা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নহা কয়া অমা দ্রগ এদিক্ট ওইদুনা হিংনা হিংনা শিবগা পাঞ্জক ওইদুনা ৱানা হিংলি। কয়া অমনা ওভর দোজদা পুন্সি পীথম্লখ্রে। অমরোমদা, ইম্ফাল সিটিগী মনুং চনবা অৱাং এ ও সীদা ফোংনা নম্বর ফোর য়োল্লি। নহা কয়া অমনা ফোংনা দ্রগ কাপ্পগী থবক চথুরি। শান্নরোই মশীংদগী দ্রগ এদিক্ট অমদি দ্রগ লল্লোন-ইতিক তৌবনা মশীং হেল্লে হায়রি।

## ৱার্কশোপ কম এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেলথ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টনা আর কে সনাতোম্বী দেবী কোলেজ ওফ এদ্যুকেসনগা খুৎশম্নদুনা শীনবা জল জীবন মিসন অমদি স্বচ্ছ ভারত মিসন (গ্রামিন) গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ কম এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি নোর্থ এ ও সীদা লৈবা কোলেজ অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা এস বি এম (জি)গী ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর রাজকুমার সোমিওনা স্বচ্ছ ভারত মিসন (গ্রামিন) গী মতাংদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা সোমিওনা ফোঙদোকখিবদা স্বচ্ছ ভারত মিসন অসি ২০১৪ দগী হৌদোকখিবনি। তশেংবদি মিসন অসি ১৯৮৬ তা পাঙথোকপা সেন্ট্রেল রুরেল সেনিটেসন প্রোগ্রামদগী লাকখিবনি। মসিগী মতুং ১৯৯৯ দা টোটল সেনিটেসন কেম্প্যেন পাঙথোক্লবা মতুং নির্মল ভারত অভিয়ান লাক্লবা মতুং ২০১৮ গী ওক্টোবর ২ দা স্বচ্ছ ভারত মিসনগী ফেজ-১ লাউথোকখিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা ষ্টেট অসি লু-নান্না থম্লবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা দিপার্টমেন্টনা অহেনবা মিৎয়েং থমদুনা এক্টিভিষ্ট ৪১৫ গা পুন্না হোৎনদুনা মিসন অসিবু অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনরি হায়খি।

ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর সোমিওনা মখা তারদুনা স্বচ্ছ ভারত মিসনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা নেসনল লেভেল কম্পিটিসনশিংদা দিপার্টমেন্টনা মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াবদা অহানবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখ্রে। হৌজিক ষ্টেট অসিদা মিসন অসিগী ফেজ-২ গী তাঙ্কক্তা লৈরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্লরবসু ফেজ ২ মতম অসিদদি সোলিদ অমদি লিক্বিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টগী মতাংদা খুঙ্গংশিংদা খঙহনবনা দিপার্টমেন্টগী পান্দম ওইরি। মিসন অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদসু চাউনা কান্নবা ফংহনবা ঙমখ্রে। লোয়ননা ঙসিগী ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়ারিবা ওজাশিংনসু মহৈরোয়শিংদা স্বচ্ছ ভারত মিসনগী মতাংদা খঙহনবদসু অচৌবা মতেং পাঙবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ দিগী সুপরিন্টেন্দিং এঞ্জিনিয়র দোরেন্দ্রো রাজকুমারনা জল জীবন মিসনগী মতাংদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা নোকফদে কলচরেল ফাউন্দেসননসু জল জীবন মিসনগী মতাংদা ষ্ট্রিট প্লে অমা উৎখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মীওই ২০০ রোম্না শরুক য়াখি।

## রোহিট মীহাৎতা চেন্নবশিং বেলদা থাদোকখিবা কন্দেম তৌই : ওল মণিপুর নুপী মরুপ

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): রোহিট মীহাৎতা চেন্নবশিং বেলদা থাদোকখিববু কন্দেম তৌই হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মার্চ ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি ২২গী মীখল অসি য়াম্না ঈংনা চিক্লা পাঙথোক্লবা ঈ সী আই অমসুং ষ্টেটকী সী ঈ ওনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরবসু মীখলগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্সকী থৌদোক তোয়রবা হৈরোক এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদদি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইবা মীখলদি ওইররোই হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ্পা ফোঙদোক্লি।

মীখলগী নোটিফিকেসন থোক্ত্রিঙৈ মমাঙ ২০২১গী দিসেম্বর ২২গী নুমীদাং অথেংবদা এ সী অসিগী সিটিং এম এল এ, টি ঐচ রাধেশ্যামগী মনাওনুপা য়াওবা বি জে পিগী ৱার্কর খরনা নিংথৌজম রোহিট কৌবা গ্রেজ্যুএট মহৈরোয় অমবু অপোকপগী মমাঙদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বদা নত্তনা অপোকপবু শাক্ষি ওইহন্দনবা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎনবা হোৎনরম্বদা চেন্নরিবা মীওইশিংবু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কোর্টনা ঙরাং বেলদা থাদোকখিবদু কন্দেম তৌই। থা অহুম হেল্লক্লবা ফাওবদা মীহাৎ অদুদা শীজিন্নখিবা নোংমৈ হৌজিক ফাওবা থৌবাল পুলিসনা ফাগৎপা ঙমদ্রিবসি অচৌ-অশাং খরগী পাউতাক মখাদরা হায়বসি মীয়াম্না চিংনরিবা ৱাফমনি।

থৌবাল অমসুং হৈরোক পুলিসনা রোহিট মীহাৎতা চেন্নবশিং মতম চানা ফাবা ঙমদবদগী জে এ সী এগেনষ্ট রোহিট মীহাৎ অমসুং এ সী অসিগী নুপী লূপ কয়ানা অকনবা খোল্লাও পুখৎপা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মীহাৎসিদা চেন্নবশিং পুলিসতা সরেন্দর তৌরকখিবনি হায়বসি লমদম অসিগী চেফোঙশিং পারিবশিংনা খঙনরবা ৱাফমনি।

অসিগুম্লবা মীখলগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্সকী থৌদোক তোয়রবা এ সী অসিদা মীহাৎপদা হকথেংননা চেন্নবশিং জামিনদা থাদোক্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ৱায়েল পীখিবসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। মসিনা এ সী অসিদা ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইহল্লরোই। লোয়ননা মীখলসিদা ভাইওলেন্সকী থৌদোক হান্নদগী হেনগৎহল্লগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সোলর লেম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা শজিক তম্পাক বট্টালিয়ননা শীন্দুনা অসাম রাইফলসনা চথুরকপা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোংজাং, সোংখোম অমদি সাইফাই খুলগী খুঙ্গাশিংদা সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি। সোলর লেম্প অসি হায়রিবা খুলশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা বোর্দর এরিয়াগী মফমশিংদা মৈ থান্দবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অদু কোক্ল নবগী পান্দমদা পীখিবনি হায়রি।

## এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোলমুনলেন ভিলেজদা সেলিন দিজিটেলনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯ এৱ্যেয়র্নেস কম পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরমগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খিবদা, ঐখোয় পুন্না ৱাখল তামিন্নদুনা কোভিদ-১৯না পীরিবা অৱা-চৈনা খূদিংমক খঙমিন্নদুনা এস ও পি নীংথিনা ঙাকমিন্নবগা লোয়ননা তমথিরবা লাইচৎ অসি থিংমিন্নবা মথৌ তাই। মসিদি অপূনবগী থৌনা খক্তনা থিংবা ঙমগনি হায়বসি ঐখোয়না নীংশিংবা মথৌ তাই হায়খি। কেম্প অদুদা সেলিন দিজিটেলগী এফ পি ও, কে এস ঐচ জেমস, আর ও, এস শান্তি শর্ম্মা অমদি সেলিন দিজিটেলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

## বি জে পিগী ৱার্কর নাওরেম চাওবীগী য়ুমদা বোম লংশিন্দুনা হাৎনবা হোৎনরম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনগী মাঙওইননা পামদবা থৌদোক কয়া ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মনুং চনবা তেন্থাদা হন্দক য়াম্না তোয়না থোরকপদগী তেন্থাগী মীচম-মীয়াম তংদু-লৈতানা লৈবা ঙমদ্রে। ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুং পুং ২.২২ রোম তাবদা য়ুমদা তুন্সিঙৈ মতমদা বোম লংশিন্দুনা মীশি-মীনা থোকহন্নবা হোৎনরকপসি মীওইবগী লীচৎ নত্তে হায়না তেন্থা খোংবানদা লৈবা নাওরেম জিতেন্দ্রগী লোয়নবী ৩৪/৪ বি জে পি ৱিমেন কম্মিটিগী সেক্রেটরি ওইরিবী নাওরেম চাওবী য়াইমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পিগী ৱার্কর কয়াগা লোয়ননা নাওরেম জিতেন্দ্রগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা ফোঙদোকখিবনি। মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ঐহাক ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী বি জে পিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী এক্টিভ ৱার্করনি। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা এ সী অসিগী আই এন সীগী কেন্দিদেট ওইরিবা মোইরাংথেম হেমন্তগী নুপী ৱার্কর ১০০/২০০ রোম ঐগী য়ুমদা লাক্তুনা বি জে পিগী ভোট খোম্বা য়ারোই অমদি বি জে পিদা ভোট থাদবা য়ারোই। করিগুম্বা বি জে পিগী ভোট খোম্বা অমদি চেন-চোংবা তারগদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা পুম্নমক্কী তেকচাক নশানা পুজগদবনি হায়না কিহন-খঙহল্লমখিবসু লৈখি।

মসিগীসু মথক্তা হৌখিবা বাই-ইলেক্সন মনুংদসু ঐহাক্কী য়ুমগী থোঙ-থোঙনাও কয়া থুগায়দুনা কিহন-খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে। ইশাগী অপাম্বা কেন্দিদেটকীদমক ভোট খোম্বা অমদি ভোট থাদজবদা অসুম্না অকি-অখঙ লৈহল্লকপসি লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মতুংদা অসিগুম্বা পাঙদবগী থৌদোকসি থোকহনবীগনু। মীচম মীয়ামগী পুন্সি লৈঙাক্লা ঙাক-শেনবীয়ু হায়খি।

মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ঙরাং অহিং চাউরাক্লা পুং ২.২০ রোম তাবা মতমদা ঐখোয়গী তেন্থা খোংবানগী মৈ পুম্নমক মুৎখি। ঙসি অয়ুক ট্রান্সফোর্মর মখোঙদা চৎতুনা য়েংলুবদা ফ্যুজ অদু লমহাংদা তাদুনা লৈরমখি। মৈ হেক মুৎখিবা মতুং পুং ২.২২ রোম তাবদা ঐগী য়ুমগী মঙ্গোলদা বোম অসি পোকখায়রকখিবনি। থৌদোক অসি খ্বাইদগী পাঙদবা অমদি মীওইবগী লীচৎকী ৱাংমদা চথুরকপা থৌওংনি হায়না লৌই। ইলেক্সনবু ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মীফম অদুদা তেন্থাদা লৈরিবা বি জে পিগী ৱার্করশিং, পোল্লিং-পোল্লিংগী থৌপুবশিং, ৱিমেন কম্মিটিগী থৌপুবশিং অমদি এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী সপোর্টর কয়াসু শরুক য়াখি। নীংশিংবা য়াবদি, ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী তেন্থা খোংবানদা লৈবী মৈরা পায়বী লাইশ্রম মেমচাগী মপুরোইবা লাইশ্রম পঞ্চোমগী য়ুমগী থোঙ্গালদা মমাঙ থাদসু বোম থমজিল্লম্বগী ৱাথোক লৈখ্রবনি হায়রি।

## ‘মহৈ তম্বা ফংদনা লাক্লিবা জে এন ভি ১১গী অপূনবা মহৈরোয় লিশিং ৭ হেনববু লৈঙাক্লা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু’

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মহৈ তম্ফম স্কুলশিং হৌখিবা মমাঙ চহীগী এপ্রিল ২০দগী থিংদুনা লাকখি। মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিগী ফীভম ফগৎলকপদগী অমুক হন্না মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদগী নৌহৌননা স্কুলশিংদা মহৈ-মশিন তমহনবা হৌহনখি। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা রেসিদেন্সিএল স্কুল অমা ওইরিবা জে এন ভিশিংদদি ঙসি ফাওবা স্কুল হাংদোক্তনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুর জে এন ভি ১১গী অপূনবা মহৈরোয় লিশিং ৭ হেনবনা ঙসি ফাওবদা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক অমদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী খনবীরগা মহৈ তম্বা ফংনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না নভোদ্যা ভিদ্যালয়া ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এন ভি ঈ দব্লিয়ু এ)না মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়না এন ভি ঈ দব্লিয়ু এগী শিল্লোং রিজনগী প্রসিদেন্ট এস পোলনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা ক্লাস নাইনদগী য়ুনিভর্সিটিগী লেভেল ফাওবা ফিজিকেল ক্লাস তৌবা য়ানবা কোভিদ-১৯গী অথিংবশিং কোমথোকখিবা মতমদা রেসিদেন্সিএল স্কুল ওইরিবা জে এন ভিশিংদদি খঙহনবীরমদ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা জে এন ভিশিংগী মায়কৈদগী অমসুং পেরেন্টশিংগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা কয়ারক হন্না হায়জখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিং ইলেক্সনগী থবক্তা মায় ওনশিনখিবনা হীরম অসিগী মতাংদা পূক্লিং চিংশিনবীদনা অমদি ঐখোয়গী ৱাফম তাবীদনা লৈরি। সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং অমগী মতুংইন্না সী বি এস ঈগী এগজাম পুম্নমক ফিজিকেল এগজাম ওইনা পাঙথোক্লনবা খঙহল্লকখিবসু লৈখ্রবনি। নভোদ্যা ভিদ্যালয়া সমিটিগী মায়কৈদগীসু জে এন ভি পুম্নমক হাংদোক্তুনা মহৌশাগুম হায়রিবা স্কুলশিংদা মহৈ তম্বা হৌনবসু খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা জে এন ভি পুম্নমক হাংদোক্তুনা মহৈ তম্বা হৌখ্রবসু মণিপুরদা লৈরিবা রেসিদেন্সিএল স্কুল অমসু ওইরিবা জে এন ভিশিংদদি ঙসি ফাওবা হাংদোক্তনা লৈরি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি ফনা য়াম্না হন্থরে হায়বসি পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদনা নাবা অমদি শিবগী চাং য়াম্না হন্থবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা মীপুম খূদিংমক্লা মহৌশাগুম হিংনরবা মতম হায়বদু ওইরবনি। চহী ১৫গী মথক ওইরিবা জে এন ভি অসিগী মহৈরোয় পুম্নমকসু জে এন ভিগী ওথোরিটিশিংগা পুল্লগা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পগী থবকসু লোইশিনখ্রে। জে এন ভিশিং অসি হৌজিক অখন্নবা এস ও পি অমগী মখাদা স্কুল হাংদোকপদা থোইদোকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়বা য়ারে। ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী বোর্দ এগজাম মার্চ থাদগী প্রক্টিকেল এগজাম হৌগদৌরিবা অমদি থিওরি পেপরনা এপ্রিলদগী হৌগদৌরিবা অসিগী খনবীরগা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা জে এন ভিশিং অসিবু খুদক্তগী হাংদোক্নবগী ওর্দর অমা থোকপীয়ু। মহৈরোয়শিং অসিগীদমক তঙাইফদবা মরুওইবদু খন্থবীরগা থবক লৌখৎপীবগী মতম ওইরে হায়না নভোদ্যা ভিদ্যালয়া ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।